# রাজ্য সভানা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এমেন্দমেন্ট বিল, লোক সভাদনা আর টি আই এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২২ (এজেন্সী): পার্লিয়ামেন্টতা ঙসি মরু ওইবা বিল খরা পাস তৌখ্রে। রাজ্য সভানা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস (এমন্দমেন্ট) বিল ২০১৯ পাস তৌখিবগা লোয়ননা লোক সভাদা রাইট টু ইনফোর্মেসন (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৯ পাস তৌখি।

প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট ১৯৯৩ শেমদোক্লগা প্রোভিজন খরা হাপচিলন্দুনা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৯ পাস তৌখিবনি। এমেন্দমেন্ট বিল অসিগী মতুং ইন্না চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া নত্রবসু সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইরম্বা মীওই অমনা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন ওইবা য়ারগনি।

হান্নদগী চৎনদুনা লাক্লিবা এক্ট অসিগী মতুং ইন্না সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইরম্বা মীওই খক্তনা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন ওইগদবনি। ষ্টেটকী থাক্তা হায়কোর্টকী জজ ওইরম্বা মীওই অমনা ষ্টেট হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন ওইবা য়াহনবগী ৱাফম এমেন্দমেন্ট বিল অসিদা য়াওরি। হান্না চৎনরিবা এক্টতা হ্যুমেন রাইটসকী মরমদা নিংথিনা খঙবা মীওই অনী কম্মিসনগী মেম্বর ওইহনগদবনি হায়বা ৱাফম য়াওরি। অদুবু এমেন্দমেন্ট বিলদা মেম্বর ৩ হাপকদবনি হায়বা ৱাফম য়াওরি। মেম্বর ৩গী মনুংদা নুপী মেম্বর ১ য়াওহনগদবনি হায়রি।

অমরোমদা লোক সভানা ঙসি রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্ট এমেন্দমেন্টবিলপাসতৌখ্রে।ট্রান্সপরেন্সি লো ময়াক চমহন্নবগী পান্দমদা এমেন্দমেন্ট বিল অসি পুখৎলকপনি হায়না ওপোজিসনগী মায়কৈদগী য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবসু লাৱর হাউসতা বিল অসি ইরাই লাইনা পাস তৌবা ঙমখি।

রাজ্য সভাদা লৈঙাক পায়রিবা ভারতিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি) গী এম এল এ মশিং শুনা লৈত্রিবা মরম্না অপ্পর হাউসতা বিল অসি পাস তৌবা ঙমগদ্রা হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। আর টি আই এমেন্দমেন্ট বিলদা য়াওরিবা মরু ওইবা ৱাফমশিংগী মনুংদা ইনফোর্মেসন কম্মিস্নারশিংনা থবক পায়বগী মতম অমসুং থাগী তোলোব হোংদোক হোংজিন তৌবা য়াওরি।

হৌজিক হৌজিক ইনফোর্মেসন কম্মিস্নারশিংনা থবক পায়বগী মতম চহী ৫ ওইরিবসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অনৌবা অমা লেপ্পগনি। ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিসলশিংগা চপ মান্নবা তোলোব ফংলিবা অসিসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অনৌবা তোলোব লেপ্পগনি। লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি আর টি আই এক্টকী ময়াক চমহন্নবা হোৎনরকপনি হায়না এক্টিবিষ্টশিংনা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক মিনিষ্টর ফোর পার্সনেল জিতেন্দ্র সিংহনা হায়খি মদুদি, ইনফোর্মেসন কম্মিসনগী থবক থৌরমদা লৈঙাক্না খুৎ থিংজিনবগী ৱাফম লৈরোই। কম্মিসনবু মনিং মখা তম্না থবক তৌহনবগা লোয়ননা আর টি আই এক্টকী অশেংবা ৱাহন্থোক লৈহন্নবা হোৎনগনি।

এমেন্দমেন্ট বিল অসিগী মায়োক্তা এক্টিবিষ্টশিংনা দিল্লিদা প্রোটেষ্ট রেল্লি অমা চৎখিবগা লোয়ননা আর টি আই এক্ট এমেন্দ তৌবা য়ারোই হায়না তকশিনখি।

অঞ্জলি ভরদ্বাজ কৌবা এক্টিবিষ্ট অমনা হায়খি, ইনফোর্মেসন কম্মিস্নারশিংবু তোলোব অমদি মখোয়না থবক তৌগদবা মতম সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লেপ্পা তারবদি কম্মিসন অসি পোন্দা ফাজিন্দুনা থম্বা টেনৱাগা চপ মান্নরনি।

লোক সভাগী মেম্বর ২১৮না বিল অসি শৌগৎতুনা ভোট পীখিবদা মেম্বর ৭৯না বিলগী মায়োক্তা ভোট পীখি। কোংগ্রেস, ওল ইন্দিয়া ত্রিণামুল কোংগ্রেস, নেম্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পাটি অমসুং দি এম কেনচিংবা ওপোজিসন পার্টিগী এম পিশিংনা বিল অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হাউসতগী মপান থোকখিবনি।

# ‘লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা থৌরাং পুন্নমক খোঙজেল য়াংনা থবক্তা ওন্থোকপা হোৎনরি’



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২২ (এজেন্সী): লৈঙাক পায়রকপা নুমিৎ ৫০নি মপুং ফারকপগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা হৌজিক ফাওবদা পায়খৎখিবা থৌরাংশিংগী রিপোর্ট অমা পুথোকখ্রে।

হৌখিবা মে ৩০দা বি জে পিনা লোক সভাগী সিট ৩০৩ ফংলবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অমুক হন্না লাকখি। নুমিৎ অদুদগী হৌরগা ঙসি ফাওবা পায়খৎলিক্লবা থৌরাংশিংগী রিপোর্ট অমা ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রেদকাষ্টিং মিনিষ্টর প্রকাস জাবেদকরনা পুথোকখি।

হিরম অসিগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়খি, মমাঙগী লৈঙাক্কা য়েংনবদা হন্দক্কী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা হিরম কয়াদা খোঙজেল য়াংনা শেমগৎ শাগৎপা ঙম্লে। শীংথানিংঙাই ওইবা থৌরাংশিং লৌখৎতুনাইনফ্রাষ্ট্রকচর, সোসল জষ্টিস অমসুং এদ্যুকেসনগী লমদা খুৎমাং চাওশিলহনবা ঙম্লে।

লৈবাক অসিগী ইকনমি দোল্লর ত্রিল্লিয়ন ৫ য়ৌহন্নবগী মতাংদা থল্লিবা পান্দমসু অথুবা মতমদা শোইদনা ফংবা ঙম্লগনি। মোদিনা লুচিংবা অনীশুবা টার্মগী লৈঙাক অসিনা লৌমী, লল্লোল ইতিক তৌরিবশিং অমসুং থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

ৱর্ল্ড ফোরমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মরু ওইবা ফিদা কনখিবনা মালেমগী পোলিটিক্সতা ইন্দিয়াগী মফম কনবা ঙম্লে হায়না পল্লদুনা জাবেদকরনা হায়খি, লম্বী, রেল লম্বী, পোর্ট, এয়রপোর্ট অমদি অতৈ ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং লুপা ক্রোর লাখ ১ চঙনা শেমগৎলগনি।

নেসনল রিছার্স ফাউন্দেসন লিংখৎখিবনা মীয়ামদা চাওনা কান্নবা ফংহল্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, লাক্কদৌরিবা চহী ৫গী মনুংদা ইনভেষ্ট তৌনবগী অনৌবা খুদোংচাবা অমা ফংহল্লগনি। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী ইন্দিয়াদা শেল চাওনা ইনভেষ্ট তৌরক্তুনা লৈবাক অসিগী শেন্মীলোন ফগৎহনবদা মতেং ওইনরগনি।

লৈঙাক পায়রকপা শুপ্নগী নুমিৎ ৫০নি খক্তা ঙাইরিঙৈদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎপা ঙম্লে হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# অনীরকশুবা ওইনা থা লৈবাক্কী মরমদা থিজিন্নবা ইন্দিয়ানা চন্দ্রয়ান-২ লুন্নর মিসন মায় পাক্না থাগৎপা ঙমখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২২ (এজেন্সী): থা লৈবাক্কী মরমদা মমুৎ তানা থিজিন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়ানা ঙসি চন্দ্রয়ান-২ মায় পাক্না থাগৎখ্রে। স্রিহরিকোটাদা লৈবা সটিস ধৱন স্পেস সেন্টরদগী নুংথিল পুং ২.৪৩তাবদা সেটলাইট অদু জি এস এল ভি-এম কে ৩- এম ১দা হাপ্লগা থাগৎখি।

জিওসিনক্রোনস সেটলাইট লোঞ্চ ভেহিকলনা কিলোগ্রাম ৩,৮৫০ লুম্বা চন্দ্রয়ান-২বু মালেমগী ওর্বিটতা মায় পাক্না থন্বা ঙমখি। জুলাই ১৫দা টৈক্নিকেলগী অশোইবা লৈবদগী ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও)না সেটলাইট থাগৎপা ঙমখিদ্রবা মতুংদা ঙসি চন্দ্রয়ান-২ মায় পাক্না থাগৎপা ঙমখিবনি।

লুপা ক্রোর ৯৭৮ চঙনা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিনা ইন্দিয়াগী স্পেস রিছার্সতা চাওনা খুৎমাং চাওশিনবা ঙমহল্লগনি। থাগী লৈমায়দা স্পেস ক্রাফ থাগৎলগা রোভর অমা লেন্দিং তৌহনবা ইন্দিয়ানা মরিশুবা লৈবাক ওইরগনি। চেন্নাইদগী কিলোমিটর ১০০ রোম লাপ্না লৈবা সটিস ধৱন স্পেস সেন্টরগী অনীশুবা লোঞ্চ পেদতা জি এস এল ভি - এম কে ৩ - এম ১ মায় পাক্না থাগৎখ্রবা মতুংদা আই এস আর ওগী সাইন্টিষ্টশিং হরাওবা ফোঙদোক্লখি।

হিরম অসিগী মতাংদা আই এস আর ওগী চেয়ারমেন কে সিবাননা হায়খি, জুলাই ১৫দা চন্দ্রয়ান-২ থাগৎনবা থৌরাং তৌরম্বদগী অশোইবা খরা থেংনরকপা মরম্না ঙসি নুংথিল ওইনা সেটলাইট অসি থাগৎখিবনি। চহী ১১গী মমাঙদা আই এস আর ওনা চন্দ্রয়ান-১ থাগৎতুনা থাগী অকোইবদা ৩,৪০০রক হন্না উংদুনা পায়হনবা ঙমখ্রবনি।

কুমজা ২০০৯গী ওগষ্ট ২৯দা থাগৎখিবা সেটলাইট অদুনা নুমিৎ ৩১২ চঙনা থা লৈবাক্কী মরমদা কুপ্না থিজিনবা ঙমখি। মখা তানা লৌখৎলকপা থৌরাং অমা ওইনা চন্দ্রয়ান-২ থাগৎতুনা থা লৈবাক্কী মরমদা মপুং ফানা থিগৎপা হৌখিবনি হায়না আই এস আর ওগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

থাগী লৈমায়দা রোভর অমা লেন্দিং তৌহন্দুনা থা লৈবাক্তা ওইরিবা ফিভমশিং মমুৎ তানা থিজিন্নবা থৌরাং লৌখৎপা ইন্দিয়ানা মরিশুবা লৈবাক ওইরে। মমাঙদা রসিয়া, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং চাইনানা থা লৈবাক্তা সেটলাইট থাগৎপা ঙমখ্রবনি।

চন্দ্রয়ান-২ মায় পাক্না থাগৎখিবগী মতাংদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সাইন্টিষ্টশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

# অচারিয়া দেবব্রত অমসুং কলরাজ মিস্রাবু মথং শীৎনা গুজরাট অমদি হিমাচল প্রদেশকী গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে





ন্যু দিল্লি, জুলাই ২২ (এজেন্সী): অচারিয়া দেবব্রতবু ঙসি গুজরাটকী অনৌবা গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। রাজ ভবনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মশাগী চহী ৬০ শুরবা দেব ব্রতবু গুজরাট হায় কোর্টকী এক্টিং চীফ জষ্টিস অনন্ত এস দাবেনা থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

গুজরাটকী ২০ শুবা গভর্ণর ওইনা থৌ পুরবা দেব ব্রতনা সনস্ক্রিট লোলদা ৱাশক লৌখি। থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানি, দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর নিতিন পতেল, ষ্টেট এসেমব্লীগী স্পিকর রাজেন্দ্র ত্রিবেদি, তোঙান-তোঙানবা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং অমদি সিনিয়র ওফিসর কয়াসু শরুক য়াখি।

ফম অসি পায়দ্রিঙৈদা দেব ব্রতনা হিমাচল প্রদেশকী গভর্ণর ওইনা থৌ পুরম্মী। আর্য্যা সমাজগা শম্নদুনা লাকখিবা দেবব্রতনা মতম অমদা হরিয়ানাগী কুরুক্ষেত্রদা লৈবা গুরুকুল অমগী প্রিন্সিপাল ওইনা থৌ পুরম্মী। হিন্দিদা পোষ্ট গ্রেজ্যুয়েসন লোইরবা মীওই অসি চহী ৩০ হেন্না ওজাগী শীনফমদা লৈরম্মী। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা ইন্দিয়াগী নাৎ খঙহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলম্বা মীওই অসিনা নুপীমচা খুদিংমক মহৈ মশিন তম্বদা মায় ওনশিলহন্নবা পুক্লিং থৌগৎতুনা লাকখি।

অমরোমদা, হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কলরাজ মিস্রাবু হিমাচল প্রদেশকী গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। গুজরাটকী গভর্ণর ওইনা থৌ পুখ্রবা অচারিয়া দেবব্রতগী মহুৎ শীন্দুনা ফম অসি মহাক্না পায়খিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা মমাঙগী লৈঙাক্তা মাইক্রো, স্মোল এন্দ মিদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেসকী মিনিষ্টর ওইরম্বা মিস্রানা কুমজা ২০১৭তা মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখি। মশাগী চহী ৭৫ হেল্লবা মরম্না অহল ওইরবা মীওইশিং মিনিষ্টরগী ফম পায়হল্লোইদবনি হায়বা বি জে পিগী কাংলোন অমগী মখাদা মহাক্না ফম থাদোকখিবনি।

চহী ৭৫ হেল্লে হায়বগীদমক হন্দক্তা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী মীখলদসু লুচিংবা অসি মীরেপ ওইনা চোংথোকখিদে। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর জয়রাম থাকুর, পঞ্জাবকী গভর্ণর ভি পি সিংহ, হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বির ভদ্র অমদি প্রেম কুমার ধুমালসু শরুক য়াখি।

# ওপোজিসন পার্টিশিংনা পার্লিয়ামেন্ট মীফম শাংদোকহনবা পামদ্রি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২২ (এজেন্সী): হৌজিক চথরিবা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম শাংদোকহনবা পামদে হায়না ওপোজিন পার্টি শিংনা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাগী স্পিকর ওম বিরলানা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিতিগী মীফমদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী পার্লিয়ামেন্ট মীফম শাংদোকহন্নবগী ৱাফম পুখৎখি।

মীফমদা শরুক য়াখিবা ওপোজিসনগী মেম্বর পুন্নমক্না গভর্ণমেন্টকী ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মীফমদা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টরশিংনা মরু ওইবা বিল ১০ রোম পাস তৌগদবা ৱাংলি হায়বা ৱাফম পুখৎলকপদা স্পিকরনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম শাংদোকহনবা নত্রবদি বিলশিং অদু পাস তৌবা ঙম্লরোই হায়না ফোঙদোকখি।

মতাং অদুদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা মীফম শাংদোকহনবগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

# গাড়ি থেংজিন্নবদা অঙাং ৮ শীখ্রে

হাপুর, জুলাই ২২ (এজেন্সী): উট্টর প্রদেশকী হাপুর দিষ্ট্রিক্টতা পিকঅপ ভেন অমগা মিনি ট্রক অমগা থেংজিন্নবদা অঙাং ৮ য়াওনা মীওই ৯ শীরে অমসুং অতোপ্পা ১৫না অশোক অপন নংলে হায়না পুলিসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা থৌদোক অসিগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা অমসুং অশোক অপন নংলবশিংগী ইমুং মনুংদা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাঙনবা ওফিসলশিংদা খঙহনখ্রে। হৌখিবা অহিংদা হাজিপুর পুলিস ষ্টেসনন কোনবা সাদিকপুর খুঙ্গং মনাক্তা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

# জম্মু এন্দ কাস্মিরগী গভর্ণরবু মথৌ মশক খঙদে হায়না মরাল শীখ্রে

জম্মু, জুলাই ২২ (এজেন্সী): মিলিটেন্টশিংনা মরাল লৈজদবা মীচম হাৎপগী মহুৎতা শেঞ্জা-থুমজা তৌবা ওফিসলশিং ওইনা হাৎকদবনি হায়না জম্মু এন্দ কাস্মিরগী গভর্ণর সত্যা পাল মালিক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমবু কোংগ্রেসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

লদাখ রিজনদা লৈবা কারগিলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মালিক্না হায়খিবনি মদুদি খুৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিংনা মরাল লৈজদবা মীচম হাৎপা তোক্তুনা শেঞ্জা-থুমজা তৌবা ওফিসলশিং ওইনা হাৎফম থোকই। মশামক্না ফোঙদোকচখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা মালিক্না ষ্টেট অমগী কন্সটিট্যুস্নেল হেদ অমা ওইনা অসিগুম্বা ৱাথোক ওইরকপা য়াবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লমদবনা হেন্না ফবনি।

গভর্ণরগী ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ষ্টেট কোংগ্রেসকী চীফ স্পোক্স পার্সন রবিন্দর শর্ম্মনা হায়খি কন্সটিট্যুসন ঙাক্লবনি হায়না লৈরিবা ষ্টেটকী লুচিংবা অমনা কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা থৌওং চথরক্লিবসি পুন্নমক্কী ওইনা লাইবক থিবনি।


## COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

NOTIFICATION

Imphal, the 22nd July, 2019

No. 1/96/96-HSC(Vol.VII): It is hereby, notified for information to all the concerned institutions under the Council of Higher Secondary Education, Manipur that those institutions who are yet to clear any due fee (like annual recognition fee, subject opening/continuation fee etc) payable to this office are to deposit the same to the Council office before the online enrolment of students for the academic session, 2019-2020.

All the concerned principals are therefore, requested to clear the due fee on or before 31st July, 2019, failing which, they are not allowed to proceed for enrolment of their students in the Council.

Sd/- Ch. Biren Singh
Secretary
Council of Hr. Sec. Edn., Manipur

HL-B/5566/23

## GOVERNMENT OF MANIPUR MEDICAL DIRECTORATE

NOTIFICATION

Imphal, the 22nd July, 2019

No.104/1/2019-DHS: It is hereby notified to all the NEET-UG, 2019 qualified and eligible candidates of Manipur that the 2nd counselling for selection and nomination into MBBS/BDS/BASLP courses, 2019 for the following vacant seats will be held on 24th July, 2019. All intending candidates should report for registration at 9 a.m. at the Main Auditorium, JNIMS, Porompat, Manipur with all the relevant original certificates, Acknowledgement Slip and 6(six) passport size Photographs without fail. Candidates or their representatives who fail to report on the above stipulated date and time will not be considered later.

| Sl.No. | Category | RIMS | | JNIMS | | RDC, Guwahati |
|---|---|---|---|---|---|---|
| | | MBBS | BDS | MBBS | BDS | BDS |
| 1 | UR | 02 | 04 | - | 01 | 01 |
| 2 | ST | 01 | - | - | 04 | |
| 3 | OBC(M) | - | - | - | 03 | |
| 4 | OBC(MP) | - | - | - | 03 | |
| 5 | SC | - | - | - | 01 | |
| | Total: | 03 | 04 | Nil | 12 | 01 |

For more information, please visit official website: www.manipurhealthdirectorate.in.

Sd/- Dr. K. Rajo Singh
Director of Health Services, Manipur

HL-P/3459/23

## MANIPUR UNIVERSITY CANCHIPUR: IMPHAL

Advertisement

Dated, the 22nd July, 2019

No.MU/GFA/119/DLIS/2019/1564 It is hereby notified that 3(three) Guest Faculty on contract basis will be appointed initially for a period of 6(six) months in the Department of Library & Information Science through **walk-in interview**:

**Essential Qualifications:**
As prescribed by the UGC for Assistant Professor in the concerned subject.

**Honorarium:** Rs. 1,500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 50,000/- (Fifty thousand) only per month.

**Date of Interview:** - 29.07.2019 at 02:00 P.M.

**Place of Interview:** - Vice Chancellor's Committee room, MU

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Head, Department of Library & Information Science, Manipur University, Canchipur- 795003 between 10 a.m. and 12 a.m. on the same day.

Sd/- H. Tongin Maring
Assistant Registrar (Faculty)

HL-B/5567/23

## 2nd MATHEMATICAL (WIZARD) COMPETITION 2019

ORGANISED BY: EDUCITY

Sagolband Tera Tongbram Leikai, Near Oriental College Imphal-795001

Submission Fee Rs. 300/-
Last Date of Submission: 16th July, 2019
Class I to X (classwise)
Sub : Mathematics (100 marks)
Date of Exam: 21st & 28th July, 2019 (Sunday)
Timing : 8:30 am to11:30 am, 12:30 pm to 3:30 pm

Class I to V on 21st July, 2019
Class VI to X on 28th July, 2019

Class I, II, III, VI & VII 8:30–11:30 am
Class IV, V, VIII, IX & X 12:30–3:30 pm
in their respective dates

Prizes
1st Position – Rs. 7,000/- x 10 + Certificate
2nd Position – Rs. 5,000/- x 10 + Certificate
3rd Position – Rs. 3,000/- x 10 + Certificate
4th to 10th position – Special Package

* Special Prizes
1. Best Student will be announced as "Mathematical Wizard of the Year" (which secured 100 marks) with a prize of Rs 3,000 and Mementos
2. Best School to the School of the Best Students (Rs. 3,000/- + Mementos)

* Forms available at all the leading book stores and schools of Manipur.

1. Siroi Paper Mart - Singjamei Bazar & Kwakeithel 2. Chanura Photo - Kakwa Bazar 3. Heemabala Book Store- Canchipur 4. Universal Book Store - Lilong Bazar 5. K.B. Stationery - Wangjing Bazar 6. Mangol Stationery - Kakching Bazar 7. PP Collection & Stationery - Kakching Bazar 8. Echan Stationery - Wabagai Lamkhai 9. Baby Book Store - Mayang Imphal 9. M/S Computer - Thongkhong Luxmi Bazar, 10. New Book Store - Wangoi Bazar 11. M/S Rakesh Book Store - Wangoi Bazar 12. Sangai Book Store - Samurou Bazar 13. Lily Book Store - Oinam Bazar 14. I.K. Book Store & Xerox Point - Bishnupur Bazar 15. Tamo Photo Studio - Ningthoukhong Bazar 16. Romee Book Store - Moirang Lamkhai 17. Ibeyaima Gallery - Moirang Bazar 18. Leima Book Store - Nambol Bazar 19. C.I. Book Store - Nambol Bazar 20. Sharma Distributor - Yairipok Bazar 21. Yai Bros - Yairipok Bazar 22. Habib Stationery - Yairipok Azad Golai 23. Hee Yai Enterprieses - Sangakpham 24. Phijam Stationery - Chingmeirong Khongnang Ani Karak 25. Leirik Stationery - Khumbong Bazar 26. L.K. BookStore - Lamlong Bazar 27. Compact Service - Khoyathong 28. Taurus Stationery RIMS gate 29. Grand Paper Mart - RIMS gate, 30. Shila Book Store, Thoubal Bazar 31. Amar Book Store - Khangabok Bazar 32. Eikhoigi Enterprises - Kwakeithel Bazar

HL-B/5513/27-6/26-7

Please Contact: 9612194500 / 6009103078